**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-03-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৫-০৩-২০২৫, ইরাই)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী মাউজাং অমসুং দাম্পী খূলগী দাম্পী চীংগী চীংখোঙদগী খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা এ.কে-৪৭ রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, দবল বেরেল রাইফল অমা, শেমদোক্লবা এস.কে.এস রাইফল অমা, শেমদোক্লবা লোঙ রেঞ্জ মোর্তার পোম্পী অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরু, পাইপ বোম, ৱায়রলেস সেট অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সামুশঙ শান্তিপুর মনিং লৈকাইগী ঙাগী ফার্ম অমগী ময়াদগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা দবল বেরেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, স্মোক হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ট্যুব লোঞ্চিং মরি অমদি অতৈ পোৎলম কয়া মরুম ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শৈজাং লাইচিংদগী পোইন্ট ত্বেন্তি টু রাইফল অমা, দবল বেরেল রাইফল অমা, ফিফটি ৱান এম.এম মোর্তার মরি, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ৮, আই.ঈ.দি অনি, স্তন গ্রেনেদ ৫, স্মোক গ্রেনেদ ১০, চিল্লি গ্রেনেদ অমা, ট্যুব লোঞ্চিং মরি, অমদি নোংমৈ মরু কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লোকচাউদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, শেমদোক্লবা মোর্তার অনি, কিলোগ্রাম ১২ লোম লুম্বা আই.ঈ.দি ৬, হেন্দ গ্রেনেদ ৫,

শেমদোক্লবা মোর্তার রাউন্দ ৯, নোংমৈ মরুশিং অমদি ৱায়রলেস সেট ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরি লৈননা মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অনি অসামগী গোরচুক পুলিস ষ্টেসনদগী পুরকখ্রে। মখোয় লুপ অসিদা নহাশিং য়াওহনবদা চেন্নবা মীশকি হায়রি।

থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং উকু মনিংদগী গারি হুরানবনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফারে।

**লম্বী(এল)ঃ**ইম্ফাল জিরিবাম নেসনেল হায়ৱে-৩৭ গী ওরেন্তেল কোলেজতগী পাৎশোই পার্ট ৱান ফাওবগী লম্বী থিংজিল্লিবা অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর ময়াংলাংবম রাজকুমার সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওরেন্তেল কোলেজতগী পাৎশোই পার্ট ৱান ফাওবগী লম্বী ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়দগী শেমজিনবা হৌনবা পাউতাক পীখি। লম্বী পরিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা লম্বী শেমবীদবগী মায়োক্তা খোঙজংশিং চংশিল্লকপনি । মীফম অদুদা, ইন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী মেনেজর অমসুং শ্রী অৱান্তিকা লিমিতেদকী জেনরেল মেনেজরনা দিপ্যুতি কম্মিস্নর অমদি মফম অদুগী ক্লবশিংগী মীহুৎশিংদা লম্বী শেমজিনবা অমসুং কোইলা থাবগী থবক থা অনিগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

**সনাজাওবা(এল)ঃ** কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না হায়রি-উরান স্কিমগী মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বী অহুমদা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌরি। রাজ্য সভাদা মহারাজ সনাজাওবা লৈশেম্বনা হংখিবা ৱাহংগী ইদ্না পীবা পাউখুমদা সিভিল এভিয়েসনগী রাজ্য মন্ত্রি মুরলিধর মোহোলনা

হায়-উরান স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী ওইনা লন্বী ১১৪ দা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌরম্বা অদু লেপখ্রে। মসিগী মরুওইবদি কোবিদ-১৯ লাইচৎ, পেসেঞ্জর লৈতবা, এয়রলাইনশিং মুৎখিবনচিংবননি। রাজ্য মন্ত্রিনা হায়-অপুনবা লন্বী ১১৪ গী মনুংদা অৱাং নোংপোক লন্বী ১৬ য়াওরি। মসিগী মনুংদা লন্বী অহুম খক্তদা হৌজিক পাইথোক পাইশিন তৌরি।

**টিবি(এল)ঃ**৪৪ শুবা মালেমগী টি.বি নুমিৎকা মরি লৈননা নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা মণিপুরদা সর্তিফিকেট ওফ এপ্রিসিএসন খূৎশিন্নখ্রে। নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা টি.বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মনুং চন্না নিউক্লিক এসিদ এমপ্লিফিকেসন তেষ্ট (নাট) তেষ্টিং মপুং ফানা পাঙথোকখিবগীদমক সর্তিফিকেট অসি খূৎশিন্নরকখিবনি। মনা অদু স্পিসিএল সেক্রেটরি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র হাওবম রোসিতা, ষ্টেট টি.বি ওফিসর ডা.হেম্লতা থোকচোম অমসুং ষ্টেট ত্রেন্নিং এন্দ দেমোন্সত্রেসন সেন্তরগী দাইরেক্তর ডা.রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা লৌখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউতাক মতুং ইন্না জিলা থাক্কী ওইবা রাজনিতি দলশিংগী মীফম অমা ঙরাং জিরিবাম জিলাগী দি.সি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর শ্রী কৃষ্ণ কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা অসিদা মীখলগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পাঙথোকবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা, ঈ.আর.ও, এস.দি.ও, অমসুং জাতিগী অমদি রাজ্য থাক্কী রাজনিতি দলশিং শরুক য়াখি।

**ককচিং(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী কলচরেল মন্ত্রালয়গী মখাদা শঙ্গিট একাদেমি ককচিংনা শিন্দুনা নট সংকৃটন (পুং চোলোম)গী মতাংদা স্কুল কলচরেল অমসুং দেমোন্সত্রেসন ঙরাং ভিক্তোরি হাই স্কুল ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং মখা হাই স্কুলদসু পাঙথোক্কনি।

**মেলা(এল)ঃ** রাজ্য থাক্কী ক্রিসি মেলা ২০২৫ ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা সুমাং লিলা সংলেনদা পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেট এগ্রিকলচরেল মেনেজমেন্ট এন্দ এক্সতেন্সন ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট(সমেতি) মণিপুর অমসুং রাজ্যগী এগ্রিকলচর বিভাগকা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথুগদবা মেলা অসিদা রাজ্যপালনা ক্রিসি মেলাগী স্তোলশিং য়েংশিনগনি।

**কৈথেল(এল)ঃ** মণিপুর অর্বান দেভলপমেন্ট এজেন্সী(মুদা)না শিন্দুনা শজিবু কৈথেল ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি মহুদকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি আর.কে.দিনেসনা হৌদোক্কনি। থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথুগদবা শজিবু কৈথেল অসিদা দিন্দয়াল অন্তোদয়া য়োজনা নেসনেল অর্বান লাইভলিহুদস মিসনগী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎকনি।

**নাবার্দ(এল)ঃ** নেসনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দেভলপমেন্ট (নাবার্দ) মণিপুর রিজনেল ওফিল ইম্ফালনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ক্রেদিদ সেমিনর ঙসি হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা, চিফ সেক্রেটরি পি.কে.সিংহ না শেনবা চহী ২০২৫-২৬ কী ষ্টেট ফোকস পেপর পুথোক্কনি।

**টি.বিঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা হায়রি-টি.বি মুত্থৎনবগী কেম্পেইন লৈবাক অসিগী জিলা খুদিংমক্তা পাঙথোক্লগনি। মহাকা হায়-হান্নদি কেম্পেইন অসি খনগৎলবা জিলা ৪৫৫ দা চৎনরম্বনি।

নিউ দেল্লিদা মালেমগী টি.বি নুমিৎকা মরি লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী নদ্দানা হায়-নুমিৎ ১০০ নি চথুখিবা টি.বি মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেইনগা মনুংদা মীওই কোতি ১৩ টি.বি লৈৱ্রা হায়না চাংয়েং তৌখি। মসিগী মনুংদা টি.বিগী অনৌবা কেস লাখ ৭ থেংনখি। মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা টি.বি লায়েংবগী থবক থৌরম হান্না চাদা ৫০ ওইরম্বা অদু চাদা ৮৫ হেনগৎলে। চহী অসি লোইশিল্লকপদা লৈবাক অসিদগী টি.বি পুংমুৎ মুথৎনবা হোৎনবদা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। প্রধান মন্ত্রি টি.বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা টি.বিনা নারবা মীওই কোতি ১ লাখ ৫১ অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং ফংংলি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ত্রাইভেল খুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী খুদোংচাবশিং ফগৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। উরিষাগী নয়াগর জিলাগী কালিয়া পলিদা পাঙথোকপা ভারতিয়া বিস্বা বাসু সবর সমাজ লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মগুন লৈবা শিক্ষা, স্কিল দেভলপমেন্ট অমসুং মোবাইল নেটৱার্ককী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরি। রাস্ত্রপতিনা হায়-কেন্দ্র সরকারনা পীরিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌদুনা ত্রাইভেলশিংনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতনা ভিক্সিট ভারত ওইনবা পান্দম থল্লিবা অসিদা পার্তিক্যুলরলি ভলনরেভল ত্রাইভেল গ্রুপস (পি.ভি.টি.জি)শিংনা মহৌশাগী লম্বী থোরক্তুনা শরুক য়াগদবনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-ত্রাইভেলশিংনা মশানা মশাবু শিক্ষা পীজদুনা সরকারনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অদু খঙজবা ঙমগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

দি-লিমিতেসনদা সুপিম কোর্টকী রুলিং পোলিতিকেল পার্টি পুমমক্কী মীফম কৌখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পোকফমদা-ইম্ফাল স্মার্ট সিতি: থাঙ্গাল লম্বীদা মোল রোদ শেমগৎলি, প্রোজেক্টকী শেনফম ককথখিবদগী ইম্ফালদা অচৌবা সোপ্পিং মোল অনি শান্নবা থৌরাং পায়খৎপা ঙমখিদ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরদা পাক্তকনা ওইল পাল্ম থানবা পতাঞ্জলিগা খূৎয়েক পীনরল্লে, ওইল পাল্ম থাবদা অমাং অতোংগী ৱাফম কয়া থোরক্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগী সব-হেদলাইন ওইনা ওফিসিএলশিংনদি উ-শুংথা থারোইদবগী শরুক ওইল পাল্ম থাবনা হেন্না ফৈ, লৌ উনরিবা লৌফমদা থাগদবা নত্তে ফোঙদোরক্লি হায়না ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা লাইরেনপাৎ টুরিষ্ট সেন্তর অতেক অকাইনা থল্লবা স্ত্রকচরনা লৈতেংলি হায়না অহানবা হেলদাইন তৌদুনা ফোঙলি।

চুরাচান্দপুরদা কর্ফিয়ু থুগাইবশিং চৈরাক পীখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ থিংবগী খোঙজং য়ানবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অমা ইচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

চান্দেলদা ৱার্ল্ড টি.বি ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। বি.এস.এফ অমদি মিজোরাম পুলিসনা মীওই অহুমসু য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইগা কোন্ননা ফাখিবগী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরিনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ গী ইম্ফাল সিলচর লম্বীগী কিলোমিতর ১৫ গী শরুক শেম শাবা লোইশিন্নবা খঙহনখিবগী পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

থৌবালদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী মতাংদা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-মণিপুরদগী সাইভর ক্রিমিনেলশিংনা মমাঙ চহীদা লূপা কোতি ২৫ হেন্না হুরানখিবগী রিপোর্ট অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা নাসা মুখ ভারত অভিয়ানগী থবক থৌরমগী মখাদা তামেংলোং হেদক্বাতরদা ময়াই কাবা নিশা য়োল্লিব্রা হায়দুনা য়েংশিনবগী থবক চথখিবগী পাউ অমা হেলদাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা-তামেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মৈ চাং নাইনা লাক্তবা অমদি জেনরেতর য়াদবদগী লায়েংবা লাকপা মীওইশিং খুদোংচাদবা নংহল্লে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**